খোঙজং শৌগৎকনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
থৌবাল তুরেলগী ঈশিং অসি চহি কয়াদগী তুরেল অসিগী নাক- য়েত্তা তারিবা মীওই লাক্ষ কয়াগী থৱাই ওইদুনা হিংলক্লিবনি। অদুবু মীওই খুজোক খরগী হিংনবগী পুকচাক থিরিবনি হায়দুনা অচৌ অচৌবা মেছিন কয়া শীজিন্নদুনা তুরেল অসিদগী নুংলৈঙ্গোই পেকপা অমদি চামশিনবদগী শীজিন্নবা য়াদ্রবা ঈশিং ওইহল্লক্লি হায়না থৌবাল কৈথেল ফম্বী মথক-মখা অপূনবগী প্রসিডেন্ট এ কে সুন্দরি অমসুং সেক্রেটরি হোদাম বুধিপতিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌবাল তুরেল কঞ্জর্বেসন কম্মিটিনা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টশিংদা হায়বা য়াবা হায়জখ্রে অদুবু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা লৌখৎলকপদি লৈত্রি হায়রি।

এমসু, এম এস এফনচিংবা মহেরোই লূপশিংনা থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী তুরেল অসিগী ঈশিং লুহন্দ্রবদি থৌবাল রিভর কঞ্জর্বেসন কম্মিটিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা শৌগৎখিবগুম থৌবাল কৈথেল ফম্বী মথক-মখা অপূনবা লূপনসু মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

রাইজিং ডেপাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
সনামহী লাইনিং কনবা লূপ, লাইঙৌবী বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্টকী অহানবা রাইজিং ডেগী থৌরম ঙসি লাইঙৌবী লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

নোংমা পানবদা মৈতৈ চৈরাওখিবা ইমুংশিংদা ইকাইখুম্নবগা লোয়ননা সনামহী লাইনিং কনবা লূপ্না অচম্বা থৌরম অমা লৈকাই অসিগী মীয়ামগা পূন্না পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নোংমা পানবদা চৈরাওখিবা ইমুংশিংদা খুদোলপোৎ তমদুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি। থৌরম অদুদা এন বোবো সোসল এক্টিভিষ্টনা প্রসিডেন্ট ওইখি। লোয়ননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা থাংজম বারোগা লুৱাংসু শরুক য়াখি হায়রি।

নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরনা হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৪ দা পাঙথোকখিবা চাংয়েং অদুদা মীতৈ ময়েক্কী ৱাহং চেদা স্পেলিং (লোনচন) গী অশোইবা খরা য়াওখিবা অদুগীদমক বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরগী কন্ট্রোল্লরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। অমদি শোইখিবা অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনবগা লোয়ননা মীলাল অমদি মরী লৈনবা লূপশিংনসু মতুংদসু মতেং পাংবিনবা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

মশা লোইশঙ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
হিয়াংথাং পালক চন্দ্রনদি অৱাং লৈকাইদা লৈবা পি এম জাউদ্দিনগী শঙ্গাইদা নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (নিমপাল) অমদি অপূনবা নুপীশিংগী মীফম অমা নিমপালগী প্রসিডেন্ট টি ইবেয়াইমা অমসুং ডি এম অমুবীনা পূন্না প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা এগজিক্যুটিব কম্মিটিগী প্রসিডেন্ট ওইনা বি এম ফরিদা, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা বি এম শর্মীলা, ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা বি এম রেজিয়াবু খনখ্রে। লোয়ননা লূপ অসি নিপালগী মশা লোইশঙ ওইরে হায়রি।

মীৎয়েং চঙলগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
মাইনোরিটি পাঙলশিংনা খুন্দারিবা মফমশিংদা লৈরিবা স্কুল অমসুং কোলেজশিং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পীরিবা চৎনকাঙলোনগী ৱাংমদা চলাইরিব্রা হায়না স্কুল অমসুং কোলেজশিংদা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুডেন্ট ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোরক্লি।

স্কুল অমদি কোলেজ তন্লিবা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা চাং নাইনা কাবিয়ু। মসিগী মথক্তা ওন্না তৈনবদা তৌরম্লবদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী এডুকেসন (এস) অমদি এডুকেসন (য়ু) গী মতেংগা লোয়ননা থবক লৌখৎকনি। স্কুল অমদি কোলেজ কাবগী চাং চাদা ৭৫ য়ৌদ্রবদি এগজাম থাহল্লোইদবনি লোয়ননা আর টি ই এক্টকী মখাদা লাৱর প্রাইমরি স্কুলশিংদা মিদ ডে মিল পীজরিবসি পরম চুম্না চাং নাইনা পীজবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

ব্লড ডেনেসন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
খোঙজোম নুমিৎকী ১০৭ শুবা থৌরম পাঙথোক্নদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ২৩ দা ৭ শুবা ভলন্টরি ব্লদ ডেনেসন এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন কম ডেনেসন কেম্প অমা খোঙজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লড ডোনর মণিপুরনা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়না এসোসিএসন ওফ ভলন্টরি ব্লড ডোনর মণিপুর থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী চেরোল অমনা হায়রি।

শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা ৱারেপ লৌবিয়ু: নুপী সমাজ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী শগোলমাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগনি হায়না মতম অদুগী লৈঙাক্না ৱারেপ লৌখ্রবা মতুং উরেপ-উয়ুং তমখ্রবা ৱাফম অমবু ইখঙ খঙহৌদনা চহি অসিদা ক্যামগৈদা হোংনবা নৌনা অমুক উরেপ-উয়ুং তল্লকপা অসি লৈঙাক্কী মথোং হুক্তবা থৌওংনি হায়না ওল মণিপুর রুমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ ডিভলপমেন্ট সমাজনা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর রুমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ ডিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) গী প্রসিডেন্ট টি ঐচ রমনিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ক্যামগৈদা হোংনবা ইখঙ খঙহৌদনা হোংলক্লিবা খোঙথাং অসিগী মমাংদা ২০১৭ তা গভর্ণমেন্ট অসিনা শগোলমাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবা ৱারেপ লৌদুনা মমাংকী গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অদু অমুক হন্না চেৎশিনহনখিবনি। শগোলমাংদা হোস্পিটাল লৈহননবা গভর্ণমেন্ট অনিমক্লা হন্ন-হন্না ৱারেপ লৌখিবা অদু নাথৈরগা লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়দুনা ক্যামগৈদা হোংনবা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি মথোং হুক্তবা ফিরেপনি।

লমগী মতাংদা খুদোংচাবা লৌরগা নুংদা অমকপা ৱাখল মীৎয়েং অমদা হেক্তা হোংবা লাল্লি। লৈবাক মীয়ামদা হোংনবা ৱারেপ লৌদ্রিঙৈদা খঙহল্লম্বা, মোত লৌবা তৌদনা রাজনিতিগী ওইবা অখুবা মীৎয়েং মানবা থৌশিলনা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহনবা, অশোক-অপন নংহনবসি মীয়ামদা ঈৱাং হৌহননবা চৈবাও পীবা তাগনি হায়রি।

হান্না লৌখিবা ৱারেপশিং অদুগী অফ ফত্ত, অচুম-চুমদা নৈনদুনা অচুম্বা মীৎয়েং অমদা য়েংবা চুমগনি। মমাংগী অমদি হৌজিক্কী লৈঙাক অনিমক্না লৌখিবা শগোলমাং ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগী ৱারেপশিং পংলৌদা লৌশিনবা ৱারেপ তাহনগনু। ঈৱাং থোকহন্দুনা মৈরিকপীদগী মৈজাওবী হৌহনবা তাগনি হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোরক্লি।

শগোলমাংদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগী ৱারেপশিং অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্তুনা তংদু- লৈতাবা লমদম অমা ওইহল্লু হায়খি।

ফৈজাং প্রাইমরি স্কুল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চকপিকারোং ব্লোক্কী মনুংদা লৈবা হৈজাং ভিলেজদা গভর্ণমেন্টকী প্রাইমরি স্কুল অমা হাংদোকপগা লোয়ননা এস এস এ মণিপুরগী মখাদা লৈবা ফাইজাং প্রাইমরি স্কুলগী শঙলেন ঙসি শঙ্গাখ্রে।

চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী জেদ ই ও এল নবকুমারনা হৌনবী মতুং ইন্না স্কুল শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শীন্নবগী থৌরম অদুদা চান্দেলগী জেদ ই ওগী মখাদা লৈবা এ আই, সিভিল ৱার্কস কোওর্দিনেটর, ঐচ বি ষ্টার সন অনাল, ৱাই লোকেন্দ্রো, এল মোজেস অনাল, জে এন বাইতে, কে টি ৱারঙম, ফিজং ভিলেজকী সেক্রেটরি দৌঙম লুংদিম, এস এস এ চান্দেলগী একাউন্ট ওফিসর ঐচ লক্ষিকান্তা, ফৈজাং খুলগী নিংথৌ অমসুং অসাম রাইফলসকী ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা জেদ ই ও চান্দেল এল নবকুমারনা হায়খি, চীংগী খরা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা খুদোংচাদবা কয়া লৈ হায়দুনসু মমা-মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংবু লাইরিক তম্বা তোকহনবীবা য়াদে। মালেমদা চাওখৎপগী লমদা পুরক্লিবা অহোংবা কয়া অসি এডুকেসনগী লমদা চাওখৎলবা খক্তদা ওইবা ঙম্লিবনি। লৈঙাক্লসু অঙাং খুদিংমক লাইরিক তম্বা ফংনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। অফবা অঙাংশিং শেম্নবা হোৎনবদা মমা-মপাশিং, লৈকাই অমদি মীয়াম থোইদোক হেন্দোক্না পূন্না থৌদাং লৌমীন্নবা হোৎনমীন্নসি।

এন্টি রেপ লো শেম্মু: এমসু

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
মতম কয়াগী মমাংদগী নুপী-অঙাংশিংগী মথক্তা লিশাং শিংনা চথরক্লিবা ক্রাইমশিং অসিবু মাংহনখিনবগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এন্টি রেপ লো অমা শেমদুনা রেপিষ্টশিংবু কেপিটেল পানিসমেন্ট পীনবা এমসু রুমেন্স ৱিংনা লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাক্লি হায়না এমসু রুমেন্স ৱিংগী কনভেনর নোংথোম্বম বিদ্যারানিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অমদুনা মখা তানা হায়, হীরম অসিদা তোঙান তোঙানবা সেক্সন দা লৈরিবা ঈরমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা খোংফম চেৎনা লেম্মীন্নদুনা মালেমদগী রেপিষ্টশিংবু মরু ফংনা মাংহনখিনবা আপীল তৌরক্লি।

কথুৱাদা থোকখিবা পীক্লিবী নুপীমচা অসিফাদা চথখিবা রেপ তৌরবা মতুংদা হাৎপা অমদি উনাওগী রেপ কেস অদুবু এমসু রুমেন্স ৱিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈরবা মীওইশিং অদু কেপিটেল পনিসমেন্ট পীফম থোকই।

লাক্লিবা এসেমব্লিগী নোংজু মীফমদা এম এল এ ৬০ না অমত্তা ওইনা এন্টি রেপ লো অমা শোয়দনা পুথোকপিয়ু। হীরম অসিদা মমাংদা থাজবা থম্বীখ্রবা চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক্তা ওন্থোপীরক্নবা আপীল তৌরক্লি।

মরক অসিদা এমসু রুমেন্স ৱিংসনা মখা তানা মাস কেম্প্যেন ফোর ডিমান্দং এন্টি রেপ লোগী খোঙজা চঙশিল্লগনি হায়রি। স্কুল অমসুং কোলেজশিং লোয়ননা লৈকাই লৈকাইদা কেম্প্যেন চঙশিনবা হৌরগনি অমসুং কেম্প্যেন অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি।

মিথা মনা মায় পাক্না থিংবিয়ু: সিকো

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
মহুদ অমসুং টাউন প্লান্টিংগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা থা অসিগী ১৩ দা জরদা, হিদাক মনা অমসুং মিথা মনা য়োনবা থিংলগনি হায়না লাওথোরকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না ফোঙদোরক্লি।

সিকোগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থাংজম ইনাওচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঈরমদম অসিদদি করিগুম্বা অমা থিংদোক-থিংজিন তৌবসি কুইনা চৎকন্দে, অহানবা হৌগৎলকপদা থিংদা থিংলগদৌবা অমদি হেক ঙমগদবগী মওং ওইনা তৌনৈ। মরম অদুনা লমদম অসিদি মালহনবা লমদমনি। করিগুম্বা অমা থিংদোক-থিংজিন তৌবা অসি মপুং ফানা তুং কোইনা ঙমখিবা তারবদি ঐখোয় পুম্নমক্কী য়াইফবনি। লমদম অসিদা ক্বা য়াম্না চাগনবা মীওই মরাং কাইনা লৈ।

ঈরমদম অসিদা নোংমদা জরদা, হিদাক মনা, সুনু, মিথা মনা অমসুং ক্বা চাবদা চৎহল্লিবা অমদি শীজিন্নরিবা শেল ময়াম অসি অরেম্বদা মাংহল্লবনি। থা অমদা ক্বা চাবা খক্তদা লুপা লাক্ষ/ ক্রোর কয়া অরেম্বদা মাংহন্দুনা মপাল লৈবাক্তা অমদি মীতোপকী ফুরিৎখাউদা শেল চঙহল্লিবনি।

মিথা মনা থিংলগা হেন্না মমল তাংনা ফংবা ওইনা তৌরি। মরম অদুনা অসিগুম্বা ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমদি মপালদা চৎখিগদবা শেল অসি তুং কোইনা মপুং ফানা থিংহৌবা চঙই। জরদা, হিদাক মনা, তলব অমদি, মিথা মনা য়োল্লিবশিংনা মসিগী মহুত্তা অতোপ্পা পোৎশক্তা লল্লোন ইতিক ওইনা তৌবিয়ু হায়রি। হকচাং ফবা তিঞ্জং কাইজংদনা লৈনবগীদমক ক্বা চাবদা শীজিন্নরিবা, মাংহল্লিবা শেল অসি মীরমদা চৎখিদনবা ক্বা চাবা তোকপীরো হায়রি।

অদুবু খোঙজং অসিদা অখন্নবা মীতৈগী ঈৱাৎ- থৌনি, লাইথৌ-তিনথৌ, লাইনিং-লাইশোন অমদি থৌদোক-ৱাথোকশিংদা মীতৈ মনা য়াওদুনা ক্বা তাঙ্গ শীজিন্নবনা মসিদদি তোঙানবা মীৎয়েং য়েংদুনা খরা কোমথোকপা চঙই হায়রি।

ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
অন্দো ৱাকত্রোং হৈনৌপোকপী, লৈতানপেকফমদা লৈরিবা লাইনিংথৌগী লাইফমলেন্দা মমাংদা ৱাকত্রোং মহাদেব হায়রম্বদগী অন্দ্রোগী খুল্লাকপা অমদি লাই থৌগল লূপ্না মহাদেব হায়বসি লৌথোক্লবা লাইফমলেন অসিমক্তদা অন্দ্রোগী খুল্লাকপা চীংঙাখম গম্ভীর, কংলা ফমথৌগী জেনরেল সেক্রেটরি ঈংবা মঙাং য়ুম্নামচা, কংলা ফমথৌগী পাওতাকলোই ইপু লময়ানবা, উকলগী প্রসিডেন্ট চনম পারিহল অমসুং য়েলহৌ ঈনাৎ কনবা লূপগী ফাঞ্জৌবম থম্বৌ, পুথেম পরসুরামনচিংবা লুচিংবশিং অমদি খুল অমদি লৈকাইগী মকোক থোংবশিংনা লাইনিংথৌদা খুরুমজরবা মতুংদা অপূনবা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ লৌখ্রে।

'ফুমদিগী তান্থা' কোরস রিপরটরি থিয়েটরদা উৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমী ইম্ফাল অমসুং সঙ্গীৎ নাতক একাদেমী ন্যু দিল্লিগী কন্সটিট্যুয়েন্ট য়ুনিট অমা ওইনা পুথোকপা ডান্স ড্রামা 'ফুমদিগী তান্থা' ঙসি শমুশঙদা লৈবা কোরস রিপরটরি থিয়েটরদা উৎখ্রে।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা কোরস রিপরটরি থিয়েটরগী চিয়রমেন রতন থিয়াম্না হায়খি, মপান্দা তল্লিবা ময়াম অসিনা ওজা ওইহন্দুনা তাকহন্নবগী মফম ওইবা ইন্সটিট্যুসননচিংবা লৈতবনা আর্টিষ্ট পুথোকপা ৱাৎলক্লিবনি অমসুং তপ্না-তপ্না মাংশিল্লক্লি। শেলগী অৱাবা লৈবনা আর্টঅসি নাথৈরগা চৎলক্লবনি। মমাংদা ফাওখিবা অহল লমনশিং য়ুনিভর্সিটি অমত্তদা তম্লুবা নত্তে। মশাগী হৈথোই শিংথোইবা অমদি লাইনিং ওইখিবদগী ফাওখিবনি।

চহি ২০/৩০ গী শাংলবা মতম অসিদা নেসনলগী থাক্তা পুথোক্লবা আর্টিষ্ট তাংলে। মশানা হোৎনবসু লৈত্রে। হোৎনবসু য়াম্না ৱাৎলে। মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা হোৎনবা চঙই। হোৎনহনবা হায়বসিদা স্কোলরসিপ পীদুনা হোৎনহনবা চঙই। আর্ট হায়বসি করিনো খঙনবা ইন্সটিট্যুসনশিংদা তাকপী তম্বীবা মথৌ তাই।

হৌজিক্তি ৱাহং ময়াম অমা থোরক্লে। হৈননবা, খঙননবা সার্টিফিকেট পায়ব্রা নত্রগা ফাওননবা অমদি লাইনিং পরৈ চেৎননবা তম্ব্রা হায়না হংনরক্লে। অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্বা পরম-পরা ওইবা কয়া অদু ঙাকচবা মীওই অমা ওইনা হোৎনজরি। অদুবু তৌগে খনবা ময়াম অদু শেল য়াওদনা ঙল্লোই হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিডেন্ট ওইখিবা ঐচ তোম্বীনা হায়খি লোক্তাক পাৎকী হোংলক্লিবা অমদি মসিনা কাইথরকপদা মীওইবদা পীরিবা খুদোংথিবা থোকহল্লক্কদবা কয়া অদুগা মরী লৈননা এৱ্যেরনেস পীবা য়াগদ্রা হায়দুনা অসিগুম্বা ডান্স ড্রামা অসি পুথোকপনি।

লাই-গুরুশিংনা থম্বীরম্বশিং অদু হৌজিক মখা তানা পুথোকপা ৱাৎলে। আর্টিষ্ট হায়বসিদি কথোকপগা লোয়ননা হোৎনদুনা লাকখিবা ঙাক্তনি। কুমজা ১৯৭৫ তা প্রদক্সন য়ুনিট অমা ওইনা লিংখৎখ্রবা মতুংদা 'ফুমদিগী তান্থা' হায়বা ডান্স ড্রামা অসি ৪০ শুবা ওইনা পুথোকপনি।

'ফুমদিগী তান্থা' হায়না মীংথোনবা ডান্স ড্রামা অসি দল্লিয়ু লোকেন্দ্রজিৎনা কোরিওগ্রাফর অমসুং ডিরেক্টর ওইদুনা মিনিট ৫০ শাংনা পুথোকপনি অমসুং অইবনা ডো: কে ঐচ শমুঙৌনি।

তুং কোইনা চৎনগদবা থৌশিল ওইনা ক্বা মনা পুশিল্লকপা থিংঙউ

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১৩ দা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরি এ হেরানা ওর্দর অমা থোক্তুনা লমদম অসিগী ৱাংমদগী ক্বা মনা পুশিল্লকপা থিংনবগী থৌওংবু ডেমোক্রেটিক ষ্টুডেন্ট এলাইন্স ওফ মণিপুর (ডেসাম) না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ডেসামগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ফিলেমচা বালেশ্বর মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌওং অসি লৈঙাক অসিনা ঙাইহাই-ঙাইহাক্কী খন্দুনা থবক তৌবগী মওং অদু থাদোক্তুনা তুং কোইনা চৎনবা য়ানবা মওংদা শেমদুনা লমদম অসিগী মরু ওইনা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তা লুপখিগদৌরিবা অসিদগী কন্নবা হোৎনরসি। গভর্ণমেন্টকী অথিংবা অসিগী মিংদা মীওই খরগী লন্নাই শেনে দাং তানবা নুংঙাইনবা অমদি লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা শেন্দোং হেন্না ফংবা য়ানবা হোৎনবগী থৌওংদি লৈঙাক অসিনা তৌবিগনু।

ডেসোম্না হৌখিবা চহি অসিদা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মরু ফংনা মুথৎনবা অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী লমদম অসিগী নহা ওইরিবা মীওইশিংবু কননবা, মহৈরোই কয়ানা লেপ্পা লৈতনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবা হায়দুনা স্কুল, কোলেজ অমদি লৈকাই লৈকাইশিংদা লৈকাইগী ক্লব অমদি য়ুনিয়ন কয়াগা খুৎশম্নদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা কেম্প্যেন কয়া চথুদুনা লাক্লি।

মতম মতমগী লৈঙাক্লসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কা মরী লৈনবা পোৎলমশিং অসিবু লমদম অসিদগী অথিংবা থমদুনা লাক্লি। অদুবু মতম মতমদুদা পানখিবা লৈঙাকশিংনা পুকচেল শেংদবা অমদি মসিবু শেন্নগদৌরিবা ওথোরিটি অমদি সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংনা পুকচেল শেংদবনা অথিংবা থম্লবা পোৎশকশিং অসিবু লমদমসিদা মনিং তম্না লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওইশিংনা ফোঙনা য়োল্লি।

মসিগী খুদম অমা হৌখিবা চহিদা নাগামপাল এরিয়াদগী ডেসাম অমদি লৈকাইগী মীওইশিংনা নন-মণিপুরীশিংনা পুশিল্লকপা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়াওবা গাড়ি অমা ফাগৎতুনা মৈ থাদোক্তুনা মাংহনখিবা অমদি সিটি পুলিসতা শিন্নখিবগী থৌদোক লৈখ্রে।

অসিগুম্বা লৈঙাক্কী অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পুকচেল শেংদবা মানবা থৌওং কয়া অসিবু গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদা মীওই খরগী লন্নাই শেল তানবা নুংঙাইনবা হোৎনখিগদ্রা হায়বসু চুংনদবা ঙমদে হায়রি।

নিংশিং-নিংশিংলকপা মতমদা দ্রাইব চত্তুনা য়েংশিনবা মদুসু খরা য়াশিন্নবা য়াবগী থৌওং মানবা অসিনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মুথৎপদি লাইরননা নোংম নোংমগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা হেল্লক্লি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মমলসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। মমল ৱাংলে হায়দুনা লমদম অসিগী মীওইশিংনা লেপ্তুনা অদুমক শীজিন্নরি।

মমাং থক্তগী চথুদুনা লাকপা থবক থৌরমনি হায়দুনা লৈবাক্কী মীচমশিং ফাগৎনবা হোৎনবদা লৈঙাক্না খোঙফম খরদি শেমদোকফম থোকই। অনৌবা লৈঙাক অসিনা হন্দক লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিবু হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মরু ফংনা মুথৎনবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা থমজরি হায়রি।

খোঙজোম ডেগী থৌরম শরুক য়াগদবশিং লেম্না গাড়ি তোংহনগনি: ট্রান্সপোর্ট ডিপার্টমেন্ট

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
খোঙজোং নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা ট্রান্সপোর্ট ডিপার্টমেন্টনা সেমিলো ফ্লোর বসশিং অমসুং ওর্দিনরি বসশিংনা ইম্ফালদগী খেবা চীং অমসুং অমুক হল্লকপগী লম্বীদা মীয়াম্বু শেল লৌদনা গাড়ি তোংহনগনি হায়রি।

থা অসিগী ২৩ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী হৌনা সেমি লো ফ্লোর বস ৫ অমসুং ওর্দিনরি বসশিং মোইরাংখোমগী এম এস টি কমপ্লেক্সকী মমাং অহানবা বটাললিয়ন মণিপুর রাইফলসকী নোংপোক থংবা মায়কৈগী নেসনল হায়ৱে ৩৯ গী মনাক্তা গাড়িশিং খামদুনা লৈগনি। লোয়ননা খেবা চীংদা চৎপা লোয়ননা থৌরম য়াওরবা মতুংদা হল্লকপা মীওইশিং অমুক পূরক্কনি হায়রি।

মখা তানা সেমি লো ফ্লোর বস অনি কোইরেঙ্গৈ, চীমৈরোং অমসুং পোরোম্পাৎ জঙ্কসন্দা অয়ুক পুং ৭.৩০ দগী খামদুনা থমগনি অমসুং ইম্ফালদগী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদা খেবা চীংগীদমক খোঙশানগনি।

শেল তিংদনা গাড়ি তোংবগী খুদোংচানবা লৈঙাক্না শীল্লিবসি খোঙজোম ডে মায় পাক্না পাঙথোক্লবা ইম্ফালদগী খেবা চীংদা অমসুং অমুক হল্লকপা মীওইশিংবু পুথোক-পুশিন তৌগনি অমদি লেম্না গাড়ি তোংবগী খুদোংচাবা অসি অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী ৮ ফাওবা ফংহনগনি হায়রি।

কে ই ডি ওগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
কংলৈ ইকনমিক ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (কে ই ডি ও) গী চহি ১১ মপুং ফারকপগী মপোক কুমওন থৌরম ইমা কৈথেল নম্বর ২, ইমোইনু ইমা কৈথেলগী মথক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কেডোগী সোভেনর অমসু ফোঙবগা লোয়ননা ইমা কৈথেল অহুমগী অহল ওইরবা অখন্নবা ইমাশিংদসু খুদোল তমখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা সি এ এফ এন্দ পি ডি অমসুং রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যাম্না হায়খি, মণিপুরদা পুথোক্লিবা চেংগী পোখোক অসিনা ষ্টেট অসিগী মীওইশিং চাবা কোন্নদবনা ম্যান্মার অমদি ইন্দিয়াদগী চেং লৌবা য়ারক্তবা মতমদা মণিপুরগী মীয়াম অসি চরা হেনবা তাবনি। গভর্ণমেন্ট হায়বসি মীয়ামগীনি, মরম অদুনা লৌবুক কনবা হায়বসিসু মীয়ামগীনি। লৌফম কন্নবা গভর্ণমেন্টনা হোৎনবগা লোয়ননা লৌফমদা শাজিল্লিবা ময়াম অসি তকখায়বদা মীয়াম্না য়ানিংদবা হায়বসি লাইবক থিবনি। মরম অদুনা লৌবুক কন্নবা হোৎনমীন্নসি।

হৌজিক চেং তাংখৎলে হায়রিবসি চুম্মী। সোসল ৱেলফিয়র ডিপার্টমেন্টনা এফ সি আইদগী চেং লৌই। মসিদা থা ৬ কী চেং চিংবা য়াদনা লৈরিবা অসিনসু অয়েৎপা ওইরিবনি। লৈঙাক্না মফম খঙনা থা খুদিংগী নিয়মগী মখাদা চেং পীবনি। মরম অদুনা শুবা- নোম্বা হায়বা অসিদা চঙশিনসি। মীওইবা অমা ওইরবদি শিনফম অমা লৈগনি। পীকপা চাওবা হায়বগী ৱাফম থাদোক্লগা শিনফম পায়দবা হায়বসি ককঙাওননা লৈগনি।

অফবা সিটিজন হায়বসি শেলসু তানবা মীয়ামগী মতেংসু পাংবা চাওখৎনবসু হোৎনবদুনি। হোৎনবগী মপাল তাংলগা মীওই অদুগী লাইবক লেপকদৌরিবনি।

থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা কে ই ডি ওগী ফাউন্দর অমসুং পান্দম পাউচেগী চীফ এডিটর সিবদত্ত লুৱাংনা হায়খি, মমাংদা ওইরোই হায়না লৌনরম্বা কেদোগী থৌমীশিং অসিনা মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা পোকই। হৌজিক্তি মমা-মপাশিংনা মচাশিং ৱারকপদা কেদোগী মতৌ তমজৌ। শুবা নোম্বা কল্লু হায়নরক্লবা মতমনি।

য়েলহৌমী কনবা হায়না চিন্দদি য়াম্না ঙাংবা থবক ওইনদি পাঙথোকপা ঙমদবা হায়বদু ওইখি, অদুবু কে ই ডি ওনা লৌরিবা থৌদাং অসি ওইহন্নবা হোৎনবদা লাইনিংথৌ সনামহীদা ৱাশকমীন্নরগা হোৎনমীন্নখিবনি। ঙসিদি মায় পাকপা ঙল্লে।

নুপীশিংসু মশাগা চান্নবা শিনফমদা য়াওহন্নবা হোৎনসি। মীতোপ্না হান্না তৌরম্বা থবক থৌরমশিং অদুদগী য়েলহৌমীশিংনা চঙশিনবা হৌরে অমসুং খরা হেন্না পাক-চাওনা চঙশিন্নবসু হোৎনরি।

লেবর ডিপার্টমেন্টতা রেজিষ্টার তৌবা চঙই। লোয়ননা স্কিল ডিভলপমেন্টতা মায় ওনশিন্নবা হোৎনবদা পাইপ ফিট তৌবগীবু ওইরো, য়ুম শাবগী ওইরবসু মদুদা ট্রেনিং পীনবা লৈরিবসিদা য়াওদুনা শিনফম নাইনা চৎননবসু হোৎনসি। লোয়ননা শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনসি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা আই এম সিগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা হায়খি, শু- নোম্বগী হৈনবী হেন্না পাক-চাওনা শন্দোক্লবা হোৎনবদা এৱ্যেরনেস হেন্না পীনবা হোৎনসি।

থৌরম অদু কে ই ডি ও গী প্রসিডেন্ট সোইবম মণিতোননা প্রসিডেন্ট ওইখি অমদি ডো: চিংলেন মৈস্নাম অমদি সনসম বিরেন্দ্রসু ৱাঙাংলোই ওইখি।

পি এম এল পি জি পঞ্চায়ট মফম কয়াদা পাঙথোক্তুনা লেম্না গ্যাস কনেক্সনশিং ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
ইন্দিয়া শিনবা থুংনা উজ্বালা দিবস হায়না ঙসি গ্রাম স্বারাজ অভিয়ানগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম অমদি খুঙ্গং ৭৩ দা এল পি জি পঞ্চায়ট পাঙথোকখ্রে হায়না ইন্দিয়ান ওইলগী চেরোল অমনা হায়রি।

ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোসন লিমিটেদনা ইন্দেন এল পি জি ডিষ্ট্রিব্যুটরনা শৌগৎতুনা চঙাঙ্গৈ কম্ম্যুনিটি হোলদা সি এ এফ এন্দ পি ডি অমসুং রেভিন্যু মিনিষ্টর করাম শ্যাম্না চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মহাক্না হায়খি, শীং মৈ থারিবা অসি পুংদা চুরুট মচৈ ৪০০ মৈ থাবগী ফত্তবা মৈখু অদুগা মান্নে। চহি খুদিংগী মালেমগী নুপী লাক্ষ ১৫ নুংশিৎ-নুংশাং শেংদবা ইমুংদা লৈবদগী হকচাং শোকহন্দুনা শিহল্লি।

থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর উজ্বালা যোজৱাগা মরী লৈননা কাঞ্চি ইন্দেনগী খুথাংদা বি পি এলগী ইমুংগী নুপী ২০ দা লেম্না গ্যাস য়েন্থোকখি হায়রি।

লৈবাক অসিদা এল পি জি পঞ্চায়ট ১৫,০০০ মিনিষ্ট্রি ওফ পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাসকী লমজিং মখাদা য়েন্থোক্লুবা পান্দম থল্লি। পঞ্চায়ট অমগী মনুংদা নুপী ৫০০ দা টার্গেট তৌদুনা য়ামদ্রবদা অনৌবা এল পি জি বিনিফিসরি ১০০ এনরোল তৌহন্নবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপনি।

মণিপুরগী অপূনবা এল পি জি কষ্টমর অসি পূন্না লাক্ষ ৪.২৮ নি হায়রি। থা অসিগী ১৯ দা উজ্বালা স্কিম লোঞ্চ তৌখিবা অসি লাক্লিবা জুন ৫ ফাওবা চত্থগনি হায়রি।

খোংহামপাৎ অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মণিপুর লেজিস্লেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, সিক্স পোৎশঙবম জেদ পিগী এল বোবি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এক্স প্রসিডেন্ট এস ঐচ শান্তিকুমার, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিডেন্ট কে ঐচ ইবোহল, ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এল ধনেশ্বর মঙাং, খোমহাম্পাৎ জি পিগী প্রধান ৱাই মুহিন্দ্রো অমসুং মণিপুর গ্যাস সার্ভিসকী প্রোপ্রাইটরসু চীফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, মীয়ামগী য়াইফ থৌশিল ওইনা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী কান্নবা মপুং ফানা ফংহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী মীহুৎ অমসুং লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ওফিসশিংগী ইমপ্লোয়িশিংনা পুকচেল শেংনা হোৎনবা চঙই।

কঞ্জুমর আধার য়াওরগদি তোঙান তোঙানবা ডোক্যুমেন্টশিং থাগৎলকপদা লান্না তৌবা য়াদনবা চেক তৌদুনা মীয়ামদা তশেংনা ফংহননবা হোৎনরক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিগী পোলিসি অসিবুসু থাগৎলি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইমুং ১০০ দা লেম্না গ্যাস কনেক্সন তৌবগী খুদোংচাবা পীখি।

সেনাপতি ডিষ্ট্রিক্টকী কাতোমৈ সেন্টরগী কম্ম্যুনিটি হোলদসু প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা যোজনাগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা সেনাপতিগী এস ডি ও রাজকুমারনা ৱা ঙাংবদা, লৈবাক অসিদা এল পি জি কুক্কিং গ্যাস শীজিন্নবা হৌরকপা চহি ৫০ হেল্লক্লে। অদুম ওইনমক খুঙ্গংশিংদদি এল পি জি শীজিন্নবগী চাং হন্থরি। অমদি মমাংঙৈদগী চৎনদুনা লাক্লবা শীংনা থোং-থাকপগী থবক অদুমক চৎনরি। থৌরম অদু সেনাপতি ইন্দিয়ন সার্ভিসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

অথোকপ ইন্দেন সার্ভিসনা শিন্দুনা থৌবাল অথোকপমদা লৈবা ইন্দেন সার্ভিসকী ওফিস কমপ্লেক্সতা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী ডেপ্যুটি কম্মিস্নার ঐচ রোসিতা, এস ডি ও থৌবাল এম ভেতো, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ থৌবালগী ইন চার্জ এল তেজকুমার, বি জে পি থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী প্রসিডেন্ট এল দেবেন, ইন্দেন সার্ভিসকী প্রোপাইটর ও কে বুধিনচিংবনা শরুক য়াখি। অমদি বেনিফিসরি ১৪০ দা গ্যাস য়েন্থোকখি।

য়াইরিপোক গ্যাস সার্ভিসনসু বি পি এলগী ইমুংশিংদা এল পি জি গ্যাস কনেক্সন পীবগী থৌরম ঙসি ৱাই বি এ ইন্দোর ষ্টেডিয়মদা ৱাংখেম এ সিগী এম এল এ কৈসাম মেঘচন্দ্রনা বেনিফিসরি ২০০ দা গ্যাস য়েন্থোকখ্রে।

আর বি ডি ইন্দেন সার্ভিস অমসুং জি বি ডি ইন্দেন সার্ভিসনা শিন্দুনা উজ্বালা বিনিফিসরিশিংদা গ্যাস কনেক্সন য়েন্থোকপগী থৌরম খুরাইদা পাঙথোকখ্রে।

উজ্বালা দিবসকা মরী লৈননা বাসিখোং ইন্দেননা জিলা পরিষদ, প্রধান অমসুং মেম্বরশিংগা খুৎশম্নরগা বিনিফিসরি ৫৬ তা লেম্না গ্যাস য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লোয়ননা হৈরোক গ্যাস এজেন্সিগী খুথাংদা হৈরোক এ সিগী মনুং চনবা বেনিফিসরি ১০০ দা লেম্না গ্যাস কনেক্সনগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে।

গ্যাস য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এডুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা উজ্বালা স্কিম হৌদোকখিবগা লোয়ননা স্কিম অসি ইন্দিয়া শিনবা থুংনা চৎনরে অমসুং স্কিম অসিগী মখাদা ইমুং ক্রোর কয়াদা লেম্না গ্যাস কনেক্সন পীদুনা ইমুংশিং অদুদা চাক থোংবদা মৈখু চেলহন্দ্রে।

মমাংদসু হৈরোক এ সিগী বিনিফিসরি ১০০ গী মথক্তা লেম্না গ্যাস কনেক্সন ফংহনখ্রবনি।

যুব সেনা সেবক কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
সিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী যুব সেনা সেবক কম্মিটি শেমখ্রে। লোয়ননা মোইরাংথেম তোম্বী, সোইবম ইন্দ্রকুমার অমসুং এম সুরজিৎপু এডভাসজরি বোর্দ, চোংথাম মংলেমজাওবু চিয়রমেন, এল গম্ভির অমসুং এল ধনজয়বু ভাইস চিয়রমেন, নানবম জুগিসপু কনভেনর, অরিবম অমর্জিৎপু কো কনভেনর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

ইপসাগী সেন্ট্রেল কাউন্সিল শেমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (এন ঐচ এস) :
ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এডভান্সমেন্ট (ইপসা) গী কৈশাম্পাৎ অহৈবম লৈকাইদা লৈবা ওফিসতা লূপ অসিগী এডভাইজর ঐচ ইবোতোম্বী খুমননা প্রিসাইদ তৌদুনা ঙসি মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা কুমজা ২০১৮-২০২১ ফাওবগী ওইনা থৌ পুনবা সেন্ট্রেল কাউন্সিলগী মীওই ১৯ না শাবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। লোয়ননা জয়চন্দ্র কোন্থৌজমবু প্রসিডেন্ট, অকোইজম সঞ্জয়বু জেনরেল সেক্রেটরি, নোংথোম্বম সনাজাওববু ফাইনান্স সেক্রেটরি, এন তোম্বীসনাবু আই পি আর সেক্রেটরি, দল্লিয়ু গুনেশ্বরবু সেক্রেটরি এডমিনিষ্ট্রেসন, দল্লিয়ু রবিবু সেক্রেটরি ওর্গনাইজেস অমসুং কৃষ্ণকুমারবু জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।